## সংস্কৃত য়ুনিভর্সিটি লিংখৎপা য়ানিংদ্রি

বেঙ্গলুরু, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): কর্নাটকা গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদা সংস্কৃত য়ুনিভর্সিটি অমা লিংখৎনবা লৌখিবা ৱারেপপু নিংথৌকাবা নুমীৎতা মহৈরোয়শিংগী ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা কেম্পস ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়ানা কন্দেম তৌখ্রে।

ফ্রন্ট অসিনা হায় মদুদি, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কর্নাটকাদা সংস্কৃত য়ুনিভর্সিটি লিংখৎনবা ৱারেপ লৌরিবদু ষ্টেট অসিগী লোল ওইরিবা কনারাগী চাং তাহন্নবা হোৎনরকপা অমনি। কেম্পস ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াগী কর্নাটকা ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি অনিশ কুন্নানা হায়খি মদুদি, সংস্কৃত য়ুনিভর্সিটি লিংখৎনবা লুপা ক্রোর ৩৫৯ কায়থোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং মখোয়না কন্নাদিগাশিংগী মমালোল ওইরিবা কনারা লোল চাউখৎহন্নবা কনারা য়ুনিভর্সিটিশিং লিংখৎনবা হোৎনবদি লৈতে। কর্নাটকাদা কনারা লোল নত্তনা অতৈ লোলশিংবুনা হেন্না মরুওইনা করিগী লৌরিবনো হায়বসিগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শেংদোক্কদবনি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীওই ক্রোর ৬ রোম্না কনারা লোল ঙাংনরিবনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি মরুওইনা সংস্কৃত য়ুনিভর্সিটি অমা লিংখৎতুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টপু হরাওহন্নবা নৎত্রগা পেলহন্নবা হোৎনরকপনি।

## বেনিফিসরি লাখ ৪০ হেন্না কান্নহন্নবা সী জি ঐচ এস ৱেবসাইট মোবইল এপতা লিঙ্ক তৌরে



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): ইমপ্রুভ তৌরবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট হেল্থ স্কিম (সী জি ঐচ এস) ৱেবসাইট মোবাইল এপ ‘মায়সীজিঐচএস’কা লিঙ্ক তৌবগা লোয়নননা বেনিফিসরি লাখ ৪০ হেনবদা হেল্থ ক্যের সর্ভিসশিং ইরায় লায়না ফংহল্লগনি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর মনসুখ মন্দাবিয়ানা নিংথৌকাবা নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ইনিসিএটিভ অদু লোঞ্চ তৌরদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, অনৌবা সী জি ঐচ এস ৱেবসাইট অমসুং মসিগী এক্সটেন্সন ওইবা ‘মায়সীজিঐচএস’ কৌবা বেনিফিসরিশিংদা খুদোংচাহনগদবা তোঙান তোঙানবা ফিচরশিং য়াওবা মোবাইল এপ্লিকেসন অসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মতম অসিদা বেনিফিসরিশিংবু ময়ুমদা লৈন লৈনা ইকোম কোম্না সর্ভিস দেলিভরিগী খুদোংচাবা ফংনবা মওংদা দিজাইন তৌবনি।

ৱেবসাইট অদু হিন্দী অমসুং ইংলিসকী বাইলিঙ্গ্যুয়েল ফিচরশিংগা লোয়নননা য়ু ৩ হায়বদি য়ুজেবল, য়ুজর-সেন্ট্রিক অমসুং য়ুনিভর্সেল্লি এক্সেসিবল হায়বসি কমপ্লাইন্ট ওইরে। মসি মতুং তারকপদা মল্টি-লিঙ্গ্যুয়েল ওইহনবগী প্রোভিজনসু য়াওরি। ইমপ্রুভ তৌরবা সী জি ঐচ এস ৱেবসাইটকা মোবাইল এপ অমগা লিঙ্ক তৌনহল্লিবসি ইন্দিয়াদা দিজিটেল পেনিট্রেসনগী চাং হেনগৎলক্লিবসি য়েংলগা মরুওইবা অমদি মতম চাবা খোঙথাং অমনি।

ৱেবসাইট অসিগী ফিচর কয়া অপদেট তৌদুনা সর্ভিসতা লৈরিবা অমদি থবক্তগী পোখারবা পর্সনেলশিং অনীমক্কী ওইবা বেনিফিসরি ৪০,০০,০০০ হেনবদা য়ুমদা লৈনা লৈনা খুদক্তা ইনফোর্মেসন ফংহন্দুনা চাউনা কান্নহল্লগনি হায়না মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

মন্দাবিয়ানা মখা তানা হায়খি মদুদি, অসিগুম্বা ফেসিলিটি অসিনা হেল্থ ক্যের সর্ভিসশিং মীয়ামদা য়ুমদা লৈনা লৈনা ফংহল্লগনি। মসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুং অসিদা মতম চানা লৌখৎলকপা অনৌবা খোঙথাং অমনি। মীৎ উদবা মীওইশিংগী য়েংলগা শীজিন্নবদা নুংঙাইবা ফিচরশিং হায়বদি টেক্সকী ওদিও প্লে অমদি ফোন্ট সাইজ হেনগৎহনবগী ওপসন হাপচিল্লে। সী জি ঐচ এস ৱেবসাইটকী খুথাংদা ঈসঞ্জিভানি টেলিকন্সল্টেসন ফেসিলিটিগা হকথেংননা লিঙ্ক লৈহল্লে। ৱেবসাইট অসিনা সী জি ঐচ এস বেনিফিসরিশিংগীদমক্তা দিভেলপ তৌবা ওনলাইন গ্রিভান্স পোর্টেলদসু লিঙ্ক তৌরি। পেন্দবা লৈরিবশিং অদু এস এম এস অমসুং ঈমেল এলার্ট অনীমক্কী খুথাংদা মরী লৈনবা ওফিসরদা হকথেংননা থাবগী প্রোভিজনসু য়াওরি।

ৱেবসাইট অদু মেদিকেল ক্লেমশিং, গ্রিভান্সশিং, সী জি ঐচ এস কার্দকী ষ্টেটস, সী জি ঐচ এস কার্দ দাউনলোদিং ট্রেকিং তৌবগুম্বা তোঙান তোঙানবা ওনলাইন ফেসিলিটিশিং লৌননবা বেনিফিসরি লোগিনদসু লিঙ্ক তৌহল্লি। এচিভমেন্ট অসিদা হরাওবা ফোঙদোক্লদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হেল্থ ডা. ভারতি প্রভিন পৱারনা হায়খি, মসি পেন্দমিক মনুংদা ঐখোয়না দিজিটেল মীদিয়া ছোর্সশিংগী শীজিন্নফমশিং খঙলকপদগী লাকপনি।

## ‘মিলিটেন্টশিং নারোন্দগী এল ও সী লাল্লগা চঙশিল্লক্লবা তাঞ্জা ঙায়রি’



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): মিলিটেন্ট ১০৪ দগী ১৩৫ রোম লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)গী ইন্দিয়ারোম থংবা মায়কৈদা লোন্না চঙশিল্লক্লবা শেম-শাদুনা লৈ হায়না বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী ইন্সপেক্টর জেনরেল (আই জি) রাজা বাবু সিংহনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

বি এস এফকী আই জি অসিনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহীদা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট পুরকখিবা মতুংদা কাশ্মিরগী এল ও সীগী ফীভম মরা তপ্না লৈখি। তৌইগুম্বসুং মিলিটেন্ট ১০৪ দগী ১৩৫ রোম ইন্দিয়াদা লোন্না চঙশিল্লক্লবা তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈরি হায়বসি অনৌবা ইন্টল্লিজেন্স ইনপ্যুটশিংদগী খঙলে।

আই জিনা ৱাফম অসি শ্রিনগর সিটিগী চিদাইগী হুমহামাদা লৈবা বি এস এফ হেদক্বার্টরসতা পাঙথোকপা চহীগী ওইবা কনফরেন্সতা ৱা ঙাংবদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি মদুদি, ঙাইদুনা লৈরিবা মিলিটেন্টশিংনা লোন্না চঙলকপদা খুদোংচাহন্নবা গাইদ খরা এল ও সীগী ইন্দিয়ারোম থংবা মায়কৈরোমদা লানশিল্লকখি। মখোয়না চৎথোক চৎশিন তৌরিবশিং অদু নীংথিনা ট্রেকিং তৌখি অমসুং মখোয়গী ইমুংশিং সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংনা কুপ্না শেন্নরি।

বি এস এফ কাশ্মির ফ্রন্টিয়রগী আই জি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মিলিটেন্ট ১০৪দগী ১৩৫ ফাওবা হৌজিক লোঞ্চ পেদশিংদা লৈরি অমসুং মখোয় ইন্দিয়ারোমদা লোন্না চঙশিল্লক্লবা শেম-শারি হায়বসি ইন্টল্লিজেন্স ইনপ্যুটশিংদগী ঐখোয়না খঙলে। মখোয়না চৎথোক চৎশিন তৌরিবশিং অদু ঐখোয়না কুপ্না য়েংশিল্লি। গাইদশিংগী মরুওইবা থৌদাংদি মিলিটেন্ট গ্রুপশিংবু এল ও সীগী নাকল নাম্মাদগী ঐখোয়গী মায়কৈদা পুশিল্লকপনি।

এল ও সীদা লৈরিবা দ্রোন থ্রেটশিংগী মতাংদা হংবদা আই জি অসিনা হায়খি মদুদি, বি এস এফনা কাশ্মিরদা লৈরিবা কিলোমিটর ৯৬কী এল ও সী ঙাক শেন্দুনা লৈ অমসুং দ্রোন থ্রেট অসি থাঙ্গৈশেংনা লৈ। দ্রোন থ্রেট অসিবু থেংননবা ফোর্স অসিনসু দ্রোনশিং লৈশিনবগা লোয়নননা মরুওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে।

## কেমিকেল য়ুনিট অমা লুপা ক্রোর ১৯.৮৫ ফাইন তৌখ্রে

উন্নাও, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)না উত্তর প্রদেশকী উন্নাও দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অক্রম্পুর চক্রম্পুরদা লৈবা কেমিকেল ফেক্টরি অমদা লুপা ক্রোর ১৯.৮৫ ফাইন তৌখ্রে।

কানপুর দেহাটকী রানিয়া লোকেলিটিদা ক্রোমিয়ম ৱেষ্ট টন লিশিং কয়া পৈশিনবগীদমক্তা এন জি টিনা ফেক্টরি অদুবু ফাইন তৌখিবনি। ষ্টেট পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফার্ম অদুগী পার্টনর মঙাদা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে। কানপুর দেহাটকী রানিয়াদা ইন্দষ্ট্রিগী অমোৎ-অকায়শিং লংশিল্লি নৎত্রগা পৈশিল্লি হায়বসি ভেরিফাই তৌরবা মতুংদা এন জি টিনা এক্সন লৌখৎখিবনি।

এন জি টিদা ফাইল তৌবা পিটিসন অমনা হায়খি মদুদি, ফার্ম অদুনা অমোৎ-অকায়শিং লংথোকপগী ইনফম থোকপা কাঙলোনশিংগী মায়োক্তা ক্রোমিয়ম ৱেষ্ট হুন্দোকখি। ষ্টেট পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী রিজনল ওফিসর রাধেশ্যামগী মতুংইন্না স্পোট ইনক্বারি চথনবগীদমক্তা এন জি টিনা শেমখিবা কম্মিটিনা কানপুর দেহাটকী রানিয়াদা ক্রোমিয়ম ৱেষ্ট লংথোকপদা চেকশিন্দবগী ফীভমশিং থেংনখি। এন জি টিনা মদুগী মতুংদা ফার্ম অদুগী মায়োক্তা লুপা ক্রোর ১৯.৮৫গী ফাইন ইম্পোজ তৌবগা লোয়নননা শেনফম অদু ফার্ম অদুগী পার্টনর মঙাদগী লৌখৎনবা ষ্টেট পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দতা দিরেক্সন পীখি। বোর্দ অসিগী মতুংইন্না এন জি টিগী ওর্দর অদুগী কোপীশিং ফার্ম অদুগী পার্টনরশিংদা থাখ্রে। কম্মিটিনা মসিগী রিপোর্টতা হায়খি মদুদি, ফার্ম অদুনা রানিয়াদা ক্রোমিয়ম ৱেষ্ট মেট্রিক টন ৪,৪১১.৬৮৪ পৈশিনখি।

## চেকশিন থৌরাং ওইনা ঘাজিপুরদা দেল্লী, য়ু পি পুলিস অমদি বি এস এফনা জোইন্ট কোম্বীং ওপরেসন চথখ্রে



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): দেল্লী পুলিসনা য়ু পি পুলিস অমসুং বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কা খুৎশম্নরগা নেসনল কেপিটেলগী ঘাজিপুর এরিয়াদা অখন্নবা জোইন্ট ইন্টরষ্টেট কোম্বীং ওপরেসন অমা পাঙথোকখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমীৎতা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফ্লৱার মার্কেটতা হুন্দোক্লম্বা বেগ অমদা কে জি ৩ লুম্বা ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিভ দিভাইস অমা য়াওরম্বদগী কেপিটেলগী মীয়ামদা মীপায়বা পোকহনখিবগা লোয়নননা হন্দক্তা দেল্লীগী ঘাজিপুর অসি হেদলাইনশিং ওইখ্রবনি। ওফিসল অদুগী মতুংইন্না কোম্বীং ওপরেসন অদু ওইরক্লিবা গ্লোবেল সিক্যুরিটিগী শীংনবশিংগী মরক্তা লাক্লিবা রিপব্লিক দেগা মরী লৈননা এরিয়া দোমিনেন্স উৎননবা পাঙথোকখিবনি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিস (ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট) প্রিয়াঙ্কা কশ্যাপনা ফোঙদোকখিবদা, ওপরেসন অদু ইন্টরনেল সিক্যুরিটি ফগৎহন্নবা অমসুং ক্রাইম থিংবগী মেকানিজম ফগৎহন্নবা পাঙথোকখিবনি। ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস পর্সনেলশিং অমসুং উত্তর প্রদেশ পুলিসকী পর্সনেলশিংদা নত্তনা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী পর্সনেলশিংসু ইন্টরষ্টেট কোম্বীং ওপরেসন অদুদা শরুক য়াখি।

ওপরেসন অদু নোংমাইজিং নুমীৎকী নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা হৌখি অমসুং পুং ৩ হেন্না চথদুনা স্কোৱার কিলোমিটর ৬.৫ রোমগী এরিয়া থুংখি। পুন্না এস ঐচ ও অমসুং ইন্সপেক্টর ইনভেষ্টিগেসন য়াওনা ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, দেল্লীগী পুলিস পর্সনেল ৩৮, খোদা পুলিস ষ্টেসন, য়ু পিগী পুলিস পর্সনেল ২১ অমসুং বি এস এফকী প্লাটন অমনা ওপরেসন অদুদা শরুক য়াখি।

ওপরেসন অদু মরুওইনা ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা চথবা ক্রিমিনেল এক্টিভিটিশিংদা চেন্নবা তৌইগুম্বসুং উত্তর প্রদেশকী খোদা এরিয়াদগী হৌরকখিবশিং ওইবা ক্রিমিনেলশিংদা টার্গেট তৌদুনা পাঙথোকখিবনি। ওপরেসন অদুদা ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা ক্রাইম কয়াদা চেন্নবা বেদ কেরেক্টর মরি য়াওনা হান্নদগী রেকোর্দ লৈরবা ক্রিমিনেল ৪১ চেক তৌখি।

অসিগুম্বা ক্রিমিনেল ১৯গী য়ুমশিংদা রেইদ চথখি। দি পি এক্টকী মখাদা মীওই ৭৬ দিটেন তৌবগা লোয়নননা ৱাহং পাউহং চথখি। গাড়ী ১১সু ফাখি অমদি গাড়ী ২২৯না ভেহিস্কেন এপকা লোয়নননা স্কেন তৌখি। মখোয়গী মনুংদা গাড়ী অনীদি হুরাল্লকপনি হায়বসি খঙবা ঙমখি।

## চয়োল অসিগী অরোয়বদা টাটা গ্রুপতা এয়র ইন্দিয়া শীন্নরবা য়াই

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): চয়োল অসিনা লোইশিল্লকপদা টাটা গ্রুপতা এয়র ইন্দিয়া শীন্নরবা য়াই হায়না নিংথৌকাবা নুমীৎতা গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

কম্পিটিটিভ বিদ্দিং প্রোসেস অমা চথরবা মতুং গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর ৮দা এয়র ইন্দিয়াবু তেলেস প্রাইভেট লিমিটেদ হায়বা টাটা গ্রুপকী হোল্ডিং কম্পনিগী সবসিদরি অমদা লুপা ক্রোর ১৮,০০০দা য়োন্থোকখিবনি। মদুগী মতুং ওক্টোবর ১১দা টাটা গ্রুপতা লেট্টর ওফ ইন্টেন্ট (এল ও আই) ইস্যু তৌদুনা গভর্ণমেন্টনা এয়রলাইন অদুদা লৈরিবা মসিগী ষ্টেক চাদা ১০০ য়োনবদা য়ারে হায়বসি কনফর্ম তৌখি। হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর ২৫দা সেন্টরনা দিল অসিগা মরী লৈননা স্যের পর্চেস এগ্রিমেন্ট (এস পি এ) সাইন তৌখি।

নিংথৌকাবা নুমীৎতা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকপদা, দিল অসিগা মরী লৈনবা অতৈ ফোর্মেলিটিশিং মথংগী নুমীৎ খরনি অসিদা লোইশিনগনি অমসুং এয়রলাইন অসি চয়োল অসিনা লোইরকপদা টাটা গ্রুপদা শীন্নরগনি। দিল অদুগী শরুক অমা ওইনা টাটা গ্রুপতা এয়র ইন্দিয়া এক্সপ্রেস অমসুং গ্রাউন্দ হেন্দলিং আর্ম এয়র ইন্দিয়া এস এ টি এসতা লৈরিবা ষ্টেক চাদা ৫০ অমসু শীন্নরগনি।

ওক্টোবর ৮দা স্পাইসজেটকী প্রোমোটর অজয় সিংহনা লুচিংবা কন্সোর্টিয়ম অমনা পীবা লুপা ক্রোর ১৫,১০০গী ওফরদগী হেন্না হুন্দুনা টাটা গ্রুপনা বিদ্দিংদা মায় পাকখি। মসি কুমজা ২০০৩-০৪দগী হৌজিক ফাওবগী মনুংদা অহানবা প্রাইভেটাইজেসন ওইরবসু এয়র ইন্দিয়া অসি টাটা গ্রুপনা পায়বা অহুমশুবা এয়রলাইন ব্রান্দ ওইরগনি।

## শার্জীল ইমামগী মায়োক্তা সিদিসন চার্জ ফ্রেম তৌনবা দেল্লীগী কোর্ট অমনা ওর্দর তৌখ্রে



ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): কুমজা ২০১৯গী কেস অমগা মরী লৈননা জে এন য়ুগী স্কোলার অমসুং এক্টিভিষ্ট শার্জীল ইমামগী মায়োক্তা সিদিসন য়াওনা অতৈ চার্জশিং ফ্রেম তৌননবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা দেল্লীগী কোর্ট অমনা ওর্দর তৌখ্রে।

কেস অদু মহাক্না ঈরাং থোকহনগদবা স্পিছ পীদুনা উত্তর প্রদেশকী অলিগর মুস্লিম য়ুনিভর্সিটি অমসুং নেসনল কেপিটেলগী জামিয়া এরিয়াদা সী এ এ-এন আর সী প্রোটেষ্ট মনুংদা ঈরাং থোকহনখিবগা মরী লৈনৈ। এদিসনল সেসন্স জজ অমিতাভ রৱাটনা সেক্সন ১২৪ এ (সিদিসন), ১৫৩এ (লাইনিং লম্বী, ফুরুপ, পোক্লফমদা য়ুম্ফম ওইরগা তোঙান তোঙানবা গ্রুপশিংগী মরক্তা য়েংথিনহনবা), ১৫৩ বি (নেসনল ইন্টিগ্রেসনগী মায়োক্তা ওইবা ৱাফমশিং পন্দুনা ঙাংবা) অমসুং অনলোফুল এক্টিভিটিষ্ট (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন ১৩ অমদি আই পি সীগী সেক্সন ৫০৫কী মখাদা চাজশিং অদু ফ্রেম তৌখি।

পুলিসকী মতুংইন্না ইমামনা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর ১৩দা জামিয়া মিল্লিয়া ইস্লামিয়া, দেল্লীদা অমসুং কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ১৬তা অলিগর মুস্লিম য়ুনিভর্সিটি, য়ু পিদা ঈরাং থোক্লিংঙাই ওইবা স্পিছশিং পীখি। মহাক কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ২৮দগী জুদিসল কষ্টদিদা লৈরকখিবগা লোয়নননা হৌজিক্লা দেল্লীগী তিহার জেলদা থল্লিবনি।

মসিগী মমাঙদা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর ১৩-১৪দা জামিয়াদা থোকখিবা ভাইওলেন্সকা মরী লৈননা জামিয়া নগর পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টর তৌখিবা কেস অমগা মরী লৈননা সকেট কোর্টকী চীফ মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেট দিনেশ কুমারনা মহাকপু বেল পীখি।

কেস অদুদা মহাকপু বেল পীরবসু ঈরাং হৌবা অমসুং লোনা য়াদবা মওংদা মী পুলহনবগা মরী লৈনবা আই পি সীগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা রেজিষ্টর তৌখিবা কেসশিংগা মরী লৈননা মহাক জুদিসল কষ্টদিদা লৈখি। মহাক্না কয়ারক হন্না বেল থাখিবদা রিজেক্ট তৌখিবনি। হৌখিবা ওক্টোবর ২২দা সকেট কোর্টকী এদিসনল সেসন্স জজ অনুজ অগরৱালনা মহাক্কী বেল প্লি রিজেক্ট তৌখি।

## এ আই এম আই এমগী হান্নগী লিদর মীহাৎপগী কেসতা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে



হায়দ্রবাদ, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): নিংথৌকাবা নুমীৎতা তেলঙ্গানাগী অদিলাবাদ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ফাষ্ট-ট্রেক কোর্ট অমনা এ আই এম আই এমগী হান্নগী লুচিংবা ওইরম্বা অমবু মহাক্কী পোলিটিকেল রাইভেল হাৎপগী মরালদা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর ১৮দা অদিলাবাদ ম্যুনিসিপালিটিগী হান্নগী দেপ্যুটি চ্যেরমেন মোহম্মদ ফরুক অহমদনা অদিলাবাদ টাউনদা নোংমৈ কাপ্পদা হান্নগী কোর্পোরেটর অমা শিখিবগা লোয়নননা অতৈ অনী অশোক-অপন নংখিবনি।

কোর্ট অসিনা ফরুকপু কেস অহুমদা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখি অমসুং অতৈ এক্যুইজ অনীনা এক্কিট তৌখি। মরুওইবা এক্যুইজ অসি মী হাৎপগীদমক্তা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি।

পব্লিক প্রোজিক্যুটরনা হায়খিবদা, কোর্টনা ফরুকপু মী হাৎনবা হোৎনবগীদমক চহী ৭ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি অমসুং আর্মস এক্টকী মখাদা চহী ৩ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। কেস অহুমমক্কা মরী লৈননা কোর্ট অসিনা ফরুকতা লুপা ১২,০০০গী পেনাল্টি অমসু ইম্পোজ তৌখি। কোর্ট অসিনা মহাকপু ভর্দিক্ট অদু হায়র কোর্ট অমদা চেলেঞ্জ তৌবগী অয়াবসু পীখি।

থৌদোক অদু অদিলাবাদ টাউনগী তাতিগুদা এরিয়াদা থোকখিবনি। ফরুকনা মহাক্কী লাইসেন্স য়াওবা রিভোল্বরনা মহাক্কী পোলিটিকেল রাইভেল সয়েদ জামীর, মহাক্কী ময়াম্বা সয়েদ মান্নান অমসুং মচাশিং থোকপা সয়েদ মোটেসিনদা কাপখি। এক্যুইজ অসিনা মখোয়দা থাঙ অমা শীজিন্নদুনসু এট্টেক তৌখি।

গ্রুপ অনীগী মরক্তা ক্রিকেট শান্নবদা খৎন-চৈনবা থোকখিবা মতুংদা ফরুকনা মহাক্কী রাইভেলশিংদা এট্টেক তৌখিবনি। এট্টেক অদুগী ভিদিও অমা সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইখি। ভিদিও অদুদা ফরুকনা মখুৎ নাম্মানা থাঙ অমা পায়রগা অতোপ্পা খুৎতুনা রাইভেলশিংদা নোংমৈনা কাপ্পা উখি। এট্টেক অদুদা জামীর অমসুং মোটেসিন নোংমৈনা পান্দুনা শোকখি। মান্নাননা থাঙফম কয়া শোকখি। মশাগী চহী ৫২ শুরবা জামীর হায়দ্রবাদতা পুদুনা লায়েংখি। তৌইগুম্বসুং মহাক নুমীৎ খরনি লৈরগা শিখি।

## তামিল নাদুগী ঙামীশিংগী হিশিং ওক্সন তৌরগনি

চেন্নাই, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): হৌখিবা চহী খরা অসিদা তামিল নাদুগী ঙামীশিংদগী ফাখিবা ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হি ১০৫ শ্রিলঙ্কাগী ফিশরিজ এন্দ এক্বাটিক দিপার্টমেন্টনা ওক্সন তৌরগনি।

দিপার্টমেন্ট অসিনা ঈথৎ লৈবাক অসিগী পাউচেশিংদা এদভর্টিজমেন্টশিং ইস্যু তৌদুনা ওক্সন অদুদা শরুক য়াননবা বিদরশিং কৌখ্রে হায়রি। এদভর্টিজমেন্ট অদুনা হায়রিবদি হি ৬৫ ফেব্রুৱারী ৭তা জাফ্না দিষ্ট্রিক্টকী করাইনগরদা ওক্সন তৌরগনি। হি মঙা ফেব্রুৱারী ৮দা জাফ্না দিষ্ট্রিক্টকী কাঙ্গেসন্তুরাইদা ওক্সন তৌরগনি, ফেব্রুৱারী ৯দা কিল্লিনোই দিষ্ট্রিক্টকী কিরাঞ্চিদা হি ২৪ ওক্সন তৌরগনি, ফেব্রুৱারী ১০দা মান্নার দিষ্ট্রিক্টকী থলাইমান্নরদা হি ৯ ওক্সন তৌরগনি অমসুং ফেব্রুৱারী ১১দা পুট্টালাম দিষ্ট্রিক্টকী কলপিতিয়াদা হি অনী ওক্সন তৌরগনি। ওক্সন তৌগদৌরিবসি পুন্না হি ১০৫ নি।

তামিল নাদু ফিশরিজ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা শ্রিলঙ্কা গভর্ণমেন্টকী ফিশরিজ দিপার্টমেন্টকী থৌরাং অসিগী মতাংদা ফোঙদোরকখিবদা, শ্রিলঙ্কান গভর্ণমেন্টনা তামিল ঙামীশিংগী হিশিং অদু স্ক্রেপ ভেল্যুদা য়োন্থোক্কদৌরিবনি। মখোয়না ফাজিন্দুনা থল্লিঙৈ মনুংদা হিশিং অদু নীংথিনা মেন্টেন তৌদবদগী কোহ্লিং কারবশিংনি।

পনবা য়াবদি, শ্রিলঙ্কান নেভিগী পর্সনেলশিংনা ইন্দিয়াগী ঙামী কয়া ইন্টরনেসনল মেরিটাইম বাউন্দরি লাইন (আই এম বি এল)দা হেঞ্জিন্দুনা ঙা ফারম্বগী মরালদা সমুদ্রদগী হিশিংগা কোন্ননা ফাখিবনি। হন্দক্তা ইনৌ নৌনা শ্রিলঙ্কান নেভিগী ভেসেলশিংনা ফাখিবা ইন্দিয়ন ঙামীশিং অদু তামিল নাদুগী রমানাথাকুরাম, মাইলাদুতুরাই অমসুং থানজাবুর এরিয়াশিংদগীনি। শ্রিলঙ্কান গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়ন ঙামীশিংগী হিশিংবু ওক্সন তৌনবা লৌখিবা ৱারেপ অদুবু পি এম কে লিদর ডা. এস রামাদোসনা কন্দেম তৌখ্রে।

## নেসনল থাক্তা বি জে পি থেংননবা এন সী পিনা উধব থাকরেবু তরাম্না ওকখ্রে



মুম্বাই, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): শিব সেনানা চহী ২৫ চুপ্না বি জে পিগা মীচঙ চুংশিন্নদুনা অরেম্বদা মতম শাংনা মাঙহনখি হায়না মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাকরেনা ফোঙদোকখিবা মতুং মথংগী নুমীৎতা এন সী পিনা মহাকপু নেসনল সেক্যুলর ফ্রন্টতা তরাম্না ওকখিবগা লোয়নননা বি জে পি থেংনবদা মহাক্না চাউনা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখ্রে।

এন সী পি অসি মহারাষ্ট্রগী রুলিং এল্লাইয়েন্সতা পার্টনর অমনি। এন সী পিগী লুচিংবা মজীন মেমোননা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টরনা হিন্দুত্বাবু লাইনিং লাইশোনগী খেন্নবা লৈতবা পুন্সিগী লম্বী অমনি হায়না থাজবা থম্বগা লোয়নননা ধরম সনসদনা হায়রিবশিং য়াদ্রবদি মহাকপু নেসনল লেভেলদা বি জে পিবু থেংননবা সেক্যুলর কনফেদরেসন্দা তরাম্না ওক্কনি।

মহারাষ্ট্রদা গভর্ণমেন্ট চলাইরিবা এম ভি এনা বি জে পিবু চৈ থাংদুনা লাকখিবনি। পার্টিগী লুচিংবা নৱাব মালিকনসু সেন্টিমেন্ট অসিমক ফোঙদোকপগা লোয়নননা বি জে পিনা পার্টি অসিবু মীখলদা মায়থীবা নংহনবা পাম্মী হায়খি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, বি জে পিনা পার্টি অসিনা পাল্লিবা লাইনিং লাইশোনদা থাজবা থম্বগা লোয়নননা মদুগীদমক্তা চাউথোকচবা য়ারবসু মখোয়না অতৈ লাইনিংশিং অমদি মখোয়বু চৎলিবশিংদা হঙ্গোইবা মীৎয়েংনা য়েংবা তৌরোইদবনি। এম ভি এদা শিব সেনা, কোংগ্রেস অমসুং এন সী পি য়াওরি। তৌইগুম্বসুং কোংগ্রেসনা এল্লাইয়েন্স শেম্বগী ৱাফমদা থৱায় য়াওদবদগী সেনা অমসুং এন সী পিনা কন্না হোৎনরবসু মহারাষ্ট্রগী এল্লাইয়েন্স অসিগুম্বা অমা গোৱাদা শেম্বা ঙমদবগী ফীভম লৈ।

**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR : IMPHAL**

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯅꯣꯇꯤꯁ / **ADMISSION NOTICE/192**

Dated, the 22nd January, 2022

No.MU/3-55/PGDCA-DCIT/Aca/15 : Online applications are invited for admission into (i) Post Graduate Diploma in Computer Application (PGDCA) and (ii) Diploma in Information Technology (DIT) for the academic session, 2021-22 under Community College, Manipur University.

**Eligibility :** **(i) Any candidate who passed Three Year Degree course in any discipline or any such other equivalent course of Manipur University or from any other University may be admitted to the PGDCA 1st Semester as a regular student.**
**(ii) Any candidate who passed 10+2 from recognized Board/Council/ Universities in any discipline are eligible to apply to this course provided they have secured at least 45% (40% for SC/ST) marks in aggregate.**

**Application Fee :** Rs. 300/- for UR/OBC/EWS Candidates and Rs. 200/- for ST/SC/PWD candidates are to be paid online using Debit Card / Credit Card / Net Banking only.

**IMPORTANT DATELINES**

| | |
|---|---|
| Start of online submission | 25-01-2022 |
| Last date for online submission | 08-02-2022 |

**Sd/- Prof. W. Chandbabu Singh**
Registrar

HL-B/7444/25